# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




খাঙবোক্কী ভেদসকো অমসুং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা খাঙবোক লম্লোং কৈথেলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দারকপা চহী ১ মপূং ফারক্লবা লানদা থৱায়না পোন্থ পীখ্রবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা মিনট ১ তূমিন্না লেপ্পুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

লৌশিং পূক্কে : হকচাংদা কান্নবা পীবা উহৈশিংগী মনুংদা... লামায় ২

লামায় ৩ কার থিনবীরকউ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

কুকি-জো টেররিষ্টশিং লৈঙাক্লা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি ... লামায় ৬

লামায় ৮ ‘কোভাসিননা সাইট ইফেক্ট থোকহন্দে’

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা ... লামায় ৯

লামায় ১০ অহানবা থোরুল ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটসাল ...

মণিপুরগী লান চহী ১ মপূং ফারকপা মে ৩দা সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়গী চাওখৎ থৌরাং কাঙলূপ অমদি অপূনবা নুপী মরুপনা য়েলহৌমী মীকপ থোকপা নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোকখিবা





Vol. 48, Issue No. 032 | থাংজ, শজিবু ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, May 04, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## চহী ১ মৈৱাইরক্লবা মণিপুরগী লানগী চৈথেং খাঙবা ঙমদ্রবা মীয়ামগী অনৌবা খোঙজং হৌরক্লে

# নুপী ৭না লূ কোকথোক্লগা সেকমাইদগী কংলা ফাওবা পিছ রেল্লি চংখ্রে

### পাউমীশিংগী পর্মিট য়াওদে হায়দুনা কংলা মনুংদা চঙহনখিদে

### কুকি এম এল এ ১০গী চরনা শাবা মীতম মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লানগী মৈশানা চহী অমা চূপ্লা কাথেরক্লবা মীয়ামগী মায়কৈদগী অনৌবা লানগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং ওইনা নুপী ৭না লূ কোকথোক্তুনা সেকমাইদগী কংলা ফাওবা সাইকল থৌদুনা পিছ রেল্লি চংখ্রে।

অমরোমদা, কুকি টেররিষ্টশিংবু মথৌ শঙলিবা কুকি এম এল এ ১০গী মীতম পাঙ্গে য়াংদোংগী মফম অমদা তোঙান তোঙানবা লূপ অনী অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।






সেকমাইদগী নুপী ৭না লূ কোকথোক্তুনা লাই নুরাবী তরেৎকী মহুৎ শিন্দুনা লানগী মায়োক্তা পিছকী পাউজেল পুদুনা লাকখিবা খোঙচৎ অদু অৱাং সেকমাইদগী লমথারকখিবনি। লূ কোকথোক্লবা নুপীশিং অদুনা অমুবা ফিজোল ঙাক্তা শেৎতুনা কংলা তম্না ‘সিক্কিং প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজিনস পিপল এন্দ টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ওফ মণিপুর’ হায়বা পান্দমদা খোঙচৎ অদু লাকখিবনি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা চীংথাম সোবিতা (৪৫) মপুরোইবা সী ঐচ রোকি, খ্বাইরাকপম ইনাওবী (৫০) মপুরোইবা কে ঐচ মায়পাকস্না, মহারাবম শান্তি (৫২) মপুরোইবা এম নিমাইচান্দ, মোইরাংথেম ইবেনৌ এলিয়জ ইঞ্জুমলা (৫৫) মপুরোইবা এম ইবোমচা, খ্বাইরাকপম সুবিতা (৪৬) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা কে ঐচ রোকি, থোইদিংজম ননাও (৪২) মপুরোইবা টি ঐচ নবকুমার অমসুং খ্বাইরাকপম প্রেমলতা (৪৬) মপুরোইবা কে ঐচ ইবোমচানি। খোঙজংলোই নুপী তরেৎমক অৱাং সেকমাই মমাঙ লৈকায় অমদি থাঙ্গ লৈকায়দগী ঙাক্তনি হায়রি।

ঙসিগী মখোয়গী খোঙচৎ অসি কৌজেংলৈমা য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে দি ও), অৱাং সেকমাইনা মপূং ওইনা শীনখিবনি। অয়ূক অঙনবা পুং ৭ লোম তারকপদগী কৌজেংলৈমা লম্পাক্তগী লমথারকখিবনি।

খোঙচৎ অসিবু শৌগৎপা মীওই অমসুং লূপ কয়া অমদি কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন অৱাং সেকমাই (কংলাতোংবী) কনবা লূপ, মণিপুর কনবা লূপকী থৌমীশিংসু মখোয়গী মতুং ইন্দুনা লোয়নরকখি। অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোংদা থুংলখি।

খোঙজংলোই তরেৎকা লোয়নরকখিবা মীওইশিংগী মশীং য়াম্মনখিবনা লোইনা চঙবদা কংলাগী সনথোংদা লৈরম্বা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা অথিংবা পীরকপদগী অয়াম্বা শরুক সনথোংগী ৱাংমদা লৈহৌরগা লূ কোক্লক্লবী নুপী তরেৎ অদুগা মীওই খরখক কংলা মনুংগী লাইফমশিং খুরুম্নবা চঙখি।

খোঙজংলোইশিংনা কংলা মনুং চঙখিবদা মতুং ইন্নবা হোৎনখিবা পাউমী ফাওবদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মনুংদা চঙবগী অয়াবা লৈতে হায়দুনা থিংখি। অদুবু খোঙজংলোই তরেৎপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা কংলা মনুংদা চঙবা য়ানবগীদমক ককফম থোকপা টিকেট ফাওবা কক্লদুনা চঙশিন্নখি। খোঙজংলোইশিংনা কংলা মনুংদা লৈবা মরু ওইবা লাইফমশিং খুরম্নবা মতুং অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা থোরক্তুনা কংলাগী সনথোংদা পাউমীশিংগা উনখি।

খোঙজংলোইশিংগী মনুংদগী কে ঐচ সোবিতানা পাউমীশিংদা হায়, ঙসি ঐখোয় তরেৎনা লাক্লিবা খোঙচৎ অসি ইশাগী শম ফাওবা কোকথোক্তুনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা নাথৈরম্লগা লাক্লিবসি তূমদুনা লৈরিবা ইরৈচাশিং মীকপ থোকহল্লসি হায়বগী পান্দমদনি। লৈবাক অসিগী মপী-মপা ওইরিবশিংসু পূন্না মীকপ থোকপীরো। ইরৈবাক অসি কনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা লান অসিনা লোইশিন্দনা অদুমক থম্বীবা তারগদি থৱায় ফাওবা থাবা য়াবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙজংলোইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী মোইরাংথেম ইবেনৌ এলিয়জ ইঞ্জুমলানা পাউচে অসিদা হায়, ঙসি মেগী ৩ অসিদা ঐখোয় তরেৎনা লাক্লিবা খোঙচৎ অসি লান অসি লেপহনবীয়ু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## নিংথৌখোংদা য়েলহৌমী মীকপ থোকপা নুমিৎ পাঙথোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি




**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চথরক্তুনা তংদু লৈতাদনা লৈরক্লিবা লান অসি চহী অমা ফারকপগা ইরোয়ননা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেক্ট সিচুএসনদা চঙজফম লৌরক্লিবা চুড়াচান্দপুর অমদি তোর্বুং বাংলাদগী ময়ূম মকে তুম্না মৈ থাদোকপীখ্রবা মীওইশিংনা পেন্দবা খোল্লাও কয়া ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## থৌবাল অমসুং ককচীংগী মফমশিংদা মণিপুর সোলিদরিটি দেগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা মণিপুরগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা চহী অমা মপূং ফারকপা নুমিৎতা সোলিদরি দে হায়না পাঙথোক্লবা থৌবাল অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অপূনবা লূপ (টাকন্দাল) অমসুং থৌবাল অপূনবা লূপ (টাল) না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কয়াম কুইনা য়েংখিগদৌরিবনো হংখ্রে




**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** চহী অমা চূপ্লা চথরক্লিবা নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান অসিদা মরাল লৈজদ্রবা খুন্নাইসিগী য়েলহৌমী কয়াগী পূন্সি লোইখিবদা নত্তনা ময়ূম মকে, লন-থুম পূম্নমক মৈ থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরক্লিবসি ঙসি চহী অমা ফারে হায়রদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তারকপদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## পোষ্টেল বেল্লোটকী থম্ফম হোংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):** ইন্নর মণিপুরগী মীখলদা মীরেপ ওইরিবশিংগী পোষ্টেল বেল্লোট পেপরশিং দি সী ওফিস বিল্ডিংগী অহানবা ফ্লোরগী রূম নম্বর এফ-২১ অমসুং এফ-১৩দা থল্লকখিবা অদু নৌনা শেমগৎপা দি সী ওফিসকী ঈ ভি এম ৱায়র হাউসকী রূম নম্বর জি-১, এফ এল সী রূমদা থমখ্রে হায়রি।

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা**


**HL Poll**

Q : Manipurgi tamthiraba Lan atoppa chahi amagsu chupna makha tana chatharakhigani haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Churachandpurda hanjin hanjin Bank Loot toubagi thoudoksing thorakliba ashi district ashida Law and Order ngaktre haiba nattra?

Yes 100% No 0%


**অস! লোইরেহে!**

- থাদবনা অমদা থাদরগা ভোটনা অমনা ফংই হায়নে!



- অদু ওইরদি ঐখোয় চৈ চারোইদ্রা?

## থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা মীহাৎপগী কেস ৩১ চহী ১০দগীনা ৩০ ফাওবা পেন্দিং লৈরম্বদগী কম্মিসননা দি আই জি, এস পি অমসুং ও সীদা নোটিস পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী চ্যেরপর্সন জষ্টিস য়ু বি শাহনা লুচিংবা টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ওল্ড এজ হোম অহুমদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবগা লোয়ননা থৌবালগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন অমসুং থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদসু সর্প্রাইজ ভিজিট পাঙথোকখ্রবা মতুংদা কম্মিসনগী রেজিষ্ট্রিনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা দি জি পি অমসুং অতোপ্পা ওফিসল অমগী মথক্তা লৌখৎখিবা সু মোটু কেস অমগা মরী লৈননা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা মীহাৎপা (মর্দর) কেস ৩১ চহী ১০দগীনা ৩০ ফাওবা য়ৌনা পেন্দিংদা লৈহল্লম্বগী মায়োক্তা দি আই জি রেঞ্জ ২, থৌবালগী এস পি অমসুং থৌবাল পি এসকী ও সীদা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

সু মোটু কেস অসি ঙসি কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন জষ্টিস য়ু বি শাহগী ক্বারমদা লৌখৎখিবগা লোয়ননা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অহুমদা নোটিস ইস্যু তৌদুনা নমশিন্দুনা থল্লমখিবা মর্দর কেস ৩১ অসিগী খ্বাইদগী থেংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জিরিবামদা বোম ২ পোকখায়হল্লম্লে, কুকি টেররিষ্টশিংগী দ্রোন কাপথখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা জিরিবাম পি এস অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম পি এস অনীগী জ্যুরিসদিক্সন তাইনবা মফম অমদা কুকি টেররিষ্টশিংনি চিংনবশিংনা আই ঈ দি অনী প্লান্ট তৌদুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা বোমশিং অদু তৌসেম পি এসনা কোনবা ফাইতোল কুকি খুল লোমদগী চঙশিল্লক্লগা পোকখায়হল্লম্বা ওইরম্বা য়াই হায়রি। বোম পোকখায়হল্লল্লিবা মফম অদু জিরিবাম পুলিসনা য়াম্না তোয়না পেট্রোলিং চৎপা মফমনি হায়রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা পুলিস পর্সনেল য়াওনা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওহৌদ্রে। অদুবু কেস অমা লৌখৎলগা থি-হুম্বগী থবক চথুবা হৌরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৪০ রোম তারকপদা কৌত্রুক তম্না কুকি টেররিষ্টশিংনা পাইশিলহল্লকপা দ্রোন অমা মীতৈ খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা কাপথখ্রে হায়রি। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা টেররিষ্টশিং অসিনা মখা তানা খূৎ থারকপা য়াই চিংনবদগী মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনখ্রে হায়রি।

## তেংনৌপল পুলিসকী এদিসনেল এস পিগী জীপসি এক্সিদেন্ট থোকপদা কন্সটেবল ১ শিরে, এ এস আই ১ শোক্লে

**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৬ লোম তারকপদা ইম্ফাল-মোরে লম্বী পরিংগী তেংনৌপল পি এসনা কোনবা সিনাম খুল অমদি বোংমোল খুল অনীগী মরক্তা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি, এম দি রিয়াজ মশাসু তোংলিবা মহাক্কী মারুটি জীপসি অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা গাড়ী অসিদা তোংলকখিবা মহাক্কী এস্কোর্ট কন্সটেবল অমা লৈখিদ্রে অদুগা এ এস আই অমনা শোকপদগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

লৈখিদ্রবা কন্সটেবল অদুগী মমিং এম দি অবদুল লতিব (৩৫) অপোকপা অবদুল রসিদ কৌই, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ২ চেরাপুর মথক লৈকায়দগীনি হায়রি। মহাক্কী কন্সটেবল নম্বরনা ০৯০৮১৬২নি। মহাক্কী হকচাং জেনিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি। শোক্লবা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অদুগী মমিংনা এম দি য়ুনুসখান (৩৪) কৌই, উরুপ অৱাং লৈকায়দগীনি। মহাক্কী ফীভমদি খুদোংথীবগী ৱাংমদা লৈরে হায়রি।

## অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা ইন্টেরিম বেল পীবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খন্নগদৌরি

**ন্যু দেল্লী, মে ০৩ (এজেন্সী):** নেসনল কেপিতেল দেল্লী লৈঙাক্তা থোকপা লিকর পোলিসি স্কাম কেসতা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) না লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা হৌখিবা মার্চ ২১দা ফাজিন্দুনা



হৌজিক ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লক্লিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা ইন্টেরিম বেল পীবগী হিয়ারিং লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি হায়রদুনা হিয়ারিং অসিগীদমক পাউখুম পীননবা কোর্টনা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটদা দিরেক্সন পীখ্রে।

ৱাফম অসি এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস সঞ্জিব খন্না অমসুং দিপনকর দত্তগী বেঞ্চনা কেজ্রিৱালগী ইন্টেরিম বেলগী প্রেয়র ঙসি লৌখৎতুনা খন্নরগা ঈ দিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ‘ইচা শক্লা য়োকচরকপা ইয়ানুপাগী মরী-মখোঙ খঙখিদ্রে’

### হকথেংনবা পাউদম

*মোরেগী খুঞ্জা অমা*



**ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি চহী ১ চপ চানা মপূং ফারবা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা য়েলহৌমী মীতৈদা ওনশিন্দুনা অতম্না লান্দারকপদগী থোক্লককখিবা হাৎন-শুনবগী ৱাথোক্লা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরিবশিং মফম অমদগী অমদা ঙাইহাক লৈতনা থাংদোক থাংজিন তৌরে অদুবু ইশা-ইশাগী য়ুমদদি হঞ্জিনবা ফংদ্রি হায়না মোরে হৈনৌ মখোঙ ৱার্দ নম্বর ৭তগী লাঞ্জেল্লকখিবী মাইবম ওংবী সোফিয়ানা মথ্বায় নুংঙাইতনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা হায়, ইচা শক্লা য়োকচরকপা ইয়ানুপাগী মরী-মখোঙ খঙখিদ্রে। ঐহাক ইশাগী চহী ৫২শুরে। লান অসিনা পীরকখিবা অকি তুজ ংনীংঙাই ওইরবা অৱা চৈথেং কয়ানা লাইমন ওইদুনা শোক চৎখিবদগী খ্বাংগী মখা থংবা হকচাংগী শরুকশিং হৌজিক পেরেলাইজ ওইদুনা নীংথিনা লেপ্পা অমদি চৎপা ফাওবা ঙমদনা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লি। ঐহাক সিনিয়র সিটিজেন অমগী চহী শুদ্রবসু ঐহাক্কী হকচাংগী ফীভম য়েংশিনবীনবা অমদি শেন্নবীনবা ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তা লৈতবদগী ঐহাক্লা হান্না চঙজফম লৌরম্বা অকাম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতগী লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা ঐহাকপু ওল্ড এজ হোম অসিদা পুরকখিবনি হায়রকখি।

মহাক্লা হায়, ঐহাক্কী ইপুরোইবা লৈখিদ্রে অদুগা ইচা অমত্তা য়াওদবনা লৈখিদ্রবা ইবুংগী মচানুপা (ঐহাক্কীনা ইয়ানুপা) চহী ২২ রোম শুরবা নুপামচা অমবু ইচা শক্লা য়োক্লকখিবনি। ঐহাক্কী ইপ্বা অমগা ঐখোয় অহুম মোরেদা লৈমিন্নরম্বদগী লান হৌরক্তুনা অহানবদা মফম অদুগী অসাম রাইফল্সকী কি লোকেসন পোইন্ট (কে এল পি) দা হাংবা রিলিফ কেম্পতা অহানবা ওইনা চঙজফম লৌখি। চহী ফাজিল্লক্লবনিনা কে এল পিদগী লাকখিবা নুমিৎ নীংশিংবা থোক্লে। (মথং-মথং)

## মণিপুরগী লান চহী ১ ফারক্লবসু মোদিনা তূমিন্না লৈশিল্লি হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীখ্রে

### রাহুল গান্ধী রাই বরেলিদগীসু মীরেপ ওইনবা নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে



**ন্যু দেল্লী, মে ০৩ (এজেন্সী) :** মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী চথুরকখিবা মণিপুরগী লান অসি ঙসি চহী অমা মপূং ফারবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তূমিন্না লৈশিল্লি হায়না হান্নদগীসু কোংগ্রেসনা মরাল শিরকপগী মথক্তা ঙসিসু পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গেনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এন এম সীনা মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা কোলেজ হোংদোক হোংজিন তৌবা থিংজিনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মে ০৩ (এজেন্সী) :** মতম খরগী মমাঙদা মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা এম বি বি এস অহানবা চহীগী এগজামিনেসনদা ক্বালিফাই ওইরবা মতুংদা ফাওবা কোর্স অসি মখা তমথবদা মেদিকেল কোলেজ/ইন্সটিট্যুট অমদগী অমদা তোঙান তোঙানবা মরমশিংদা হোংদোক হোংজিন তৌবগী অয়াবা পীরমখিবা অদু নেসনল মেদিকেল কাউন্সিল (এন এম সী) না নৌনা থোকখিবা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না য়াররোই হায়না থিংজিনখ্রে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা মতম অমদদি মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা অনীগী মনুংদা অমা খক্তমক লৈবা, মেদিকেল তম্বগী খুদোংচাবা য়াওনা অতৈ মরম চাবা গ্রাউন্দশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়না মেদিকেল তম্লিবা কোলেজ/ইন্সটিট্যুটতগী হোংদোক হোংজিন তৌবগী সিটপু ...মখা লমায় ৩ কলম ২


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫